মোইরাং সাই অথোই অহেনগী ফেষ্টিভেল তাঙ্কক্কী ওইবা শৈশক কয়ানা লৈতেংদুনা পাঙথোকখি

FESTIVAL OF NARRATIVE ARTS
Orgd by MANIPUR STATE SHUMANG LEELA COUNCIL
at IBOYAIMA SHUMANG LEELA SHANGLEN
19th to 24th Dec 2020

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচএনএস)ঃ মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা কোনুং লম্পাক্তা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা ঙরাংদগী হৌদোক্তুনা চথরক্লবা লমদমসিগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা শৈশক অমসুং শৈথারোলগী মশক ফোঙদোকপা হৌখ্রে।

অথোই-অহেনগী অহৌবদা মোইরাং সাই ঈশৈগী শৈহেক শৈদাগী তাঙ্কক কয়াগী ওইবদা পাঙথোকখি। শায়োন তরেৎকী অরোইবা শায়োন খম্বা-থোইবীগী ওইবদা কবোদা লোই থাবা অমদি লোই ওকপা তাঙ্কক, মোইরাংদা শাৎচবী থোইবীনা খম্বদা লৈগে যাদবগী মপাবুংগা নিংঙাই তৌনবগী তাঙ্কক, কবোদা চনিংখোম্বীগা ফি শাবদা ফজবা তান্নবা, থোইবীনা লেমলৈ ঙা ফাবা অমসুং সৱাংলাইগী লাইমাংদা জগোয় কৎপা তাঙ্কক, মমোম লাংলেন থোইবীনা লোক্তাক পাৎতা লেমলৈ ঙা ফাবা কুম্বা কেগে তম্বা নুপা অমত্তা লোক্তাক্তা কুম্বা য়াহন্দনবা নিংথৌ ওইবা মপাবুংগী পাউজেল মোইরাং হুপ্পা পাউজেনবগী তাঙ্কক কয়াদা লৌখৎতুনা মোইরাং সাইগী শৈশকপু পুথোক্তুনা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল ওইরি।

অথোই-অহেন মোইরাং সাইগী শৈশক অসিদা খোমদ্রাম রোসি, থোঙাম লোইজিংখোম্বী চনু, হুইরেম সুজুকা, অহোংশাংবম অনেশ্বরি, খাইদেম চাওবী, খাইদেম লোলিতা, গগনপ্রিয়া কব্রাম্বম, হুইরোংবা কুঞ্জে চনু অমসুং থৌনাওজম অশালাতানা শরুক য়াখি। ফেষ্টিভেলগী অহৌবদা মোইরাং সাইগী মরমদা লৈফ্রাকপম এন্দ্রিয়ু মৈতৈনা চে পাথোক্তুনা মশক তাকখি।

অথোই-অহেন অসিদা অহুমশুবা মনা ফাওবদা থোঙাম শান্তি মোইরাং সাই এৱার্দ মিংথোন্দুনা থম্লি। পেনা ফমশক এৱার্দ মিংথোনবা এৱার্দ অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা থমদুনা পীবা ওইরি। চান্দনি খোংজোম পর্ব্ব কংলৈরোল এৱার্দ অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা, নোংথোম্বম বিরেন্দ্রকুমার খুল্লং ঈশৈ এৱার্দ অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা, খোংজোম পর্ব্ব নিংথৌরোল শৈশক এৱার্দ অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবনি।

পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা শৈশক অমা ওইরিবা মোইরাং সাইনি। লোলগী ফজবা মশক লোয়নবা লমদমসিগী অশেংবা লোলগী মশক তাকপা মোইরাং সাই শৈশকনি। মোইরাং সাই শৈশক অসিদা য়ানশিনবা লোল অমদি অনৌবা মীরোলগী ওইজবা লোলশিং শীজিন্নবগী লোয়নবা ঈশৈগী মশকসু খরদি অথোই-অহেন তান্নবদা উবা ফংলি। শৈশকপা-শৈশকপীশিংগী ওইবদা অশেংবা মোইরাং সাইগী শৈশক্কা লোয়নবা লোল লৈজরক্লবশিং হেন্না থিজিন্দুনা পুথোকপগী তঙাইফদবা অমসু লাক্লে। শৈশক অমসুং লোলগী ফজবদা চুশিন্নবাকয়াগী ফজবা মশক্তুনা মোইরাং সাইগী মতিক ময়াই লৈনা লাক্লিবা অমসুনি। লোলগী ফজবা অদুনা ক্লাসিকেল লোল চলহন্নবগী অচৌবা মতেং অমসুনি।

মথংগী মীখলদা এম পি পিনা সিট ৬০মক্তা মীরেপ থাদোক্তুনা মণিপুর কন্নবা হোৎনগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচএনএস): লাক্লিবা কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকফম থোক্লিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিভ ইলেক্সন্দা মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) না ষ্টেট অসিগী সিট ৬০মক্তা মীরেপ থাদোক্তুনা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা মণিপুর কন্নবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি।

ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল পুং ৪ তারকপদা ইম্ফালগী পোলোগ্রাউন্দ মনীংদা লৈরিবা মণিপুর পিপলস পার্টিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম কৃষ্ণদাসনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মহৌশাগুম্না চৎলিবা কুমজা অসিগীসু থা অসিগী ২৬তা লৈবাক অসিগী লোকল পার্টিশিংগী মনুংদা অনীশুবা খ্বাইদগী লিরবা পার্টি অমা ওইরিবা মণিপুর পিপলস পার্টিগী ৫৩রকশুবা মপোক কুমওনগী থৌরম পাঙথোক্কনি। অদুম ওইনমক হৌজিক ষ্টেট অসিদা মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী খুদোংচাদবশিং অসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক লৈঙাক্না পীবা এস ও পিশিং চেকশিন্না ঙাক্তুনা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি হায়খি।

লোয়ননা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী মতুংদা পার্টি অসিগী লৈঙাক অমা মীয়ামদা খুদোল তমদুনা লৈহন্নবগীদমক পার্টি অসিগী ওফিস বিয়ররশিং, থৌমীশিংনা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা হোৎনগনি হায়খি।

পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা এম পি পিগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) হাওবম গিতাজেননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেলগী ওইবা তাঞ্জা অসিদা মীয়ামগীদমক য়েংলগা রিজনেল প্লেটফোর্ম অমা শোয়দনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈরে। মরম অসিনা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা মণিপুরবু কন্নবগীদমক এম পি পিনা অঙন্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা হোৎনরকপদা লৈবাক মীয়াম্নসু মতেং পীবীয়ু হায়না আপিল তৌখি।

লোয়ননা থা অসিগী ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্টি অসিগী মপোক কুমওন থৌরমগী মাঙওইননা থা অসিগী ২২গী অয়ূক পুং ১১ তারকপদা পার্টিগী কনফরেন্স হোলদা পার্টি অসিগী কেন্দ্র কম্মিটিশিংগী প্রসিদেন্টশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

মীফম অসিদা এম পি পিনা লৈবাক মীয়ামগীদমক করি করম্বা লাল্লোং চঙশিনগদগে হায়বদু কূপ্না খন্নবগা লোয়ননা পার্টি অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক ওর্গনাইজেসন ষ্ট্রকচরদা করি করম্বা থবকশিং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদসু কূপ্না খন্নগনি হায়খি।

ঙসি পাউমীশিংগা উনখিবা থৌরম অদুদা পার্টিসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) খক্তা নত্তনা শরুক য়াখিবশিংদি পার্টিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম অমুতোম্বী, ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এস ইবোমচা, জেনরেল সেক্রেটরি (মীদিয়া) এম বিশো, জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) এল তোম্পোক, এম পি পি চনুরা মরুপকী প্রসিদেন্ট পুর্নিমাসি অমসুং অতৈ পার্টি অসিগী লুচিংবশিং অমসুং থৌমীশিংনি।

এম য়ু সীগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মহৈরোয়শিংনা ওফিসকী পোৎ-চৈশিং চিংথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর (এম য়ু সী)গী থবক থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অহুমগী মহৈরোয়শিংনা এম য়ু সীগী পোৎ-চৈশিং চিংথোক্লুগা মপান্দা পৈদুনা থমখ্রে।

গবর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরিনা ফোঙদোরকপদা, এম য়ু সীগী চৎলিবা একাদেমিক সেসন ২০২০-২১দা এম এগী এদমিসনদা দান্স কোলেজ, ম্যুজিক কোলেজ অমদি জে এন এম দি এগী সর্টিফিকেটপু এম য়ু সীদা চৎনহল্লোই হায়বগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈরিঙৈ তাল্লক অসিদা এম য়ু সীগী নোটিস অমা দিসেম্বর ১৮দা থোক্লকখিবা অসিমক লৈবাক অসিগী কলচর তৌজরিবা মহৈরোয় খুন্নাইগীদি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীবনি।

থৌওং অসি য়ুনিয়ন অহুম অসিনা য়াবা ঙল্লোই। মসিদি মহৈরোয় খুন্নাই, লৈবাক মীয়াম্বু অমদি মহৈরোয়শিংবু শীংনবনি। মীয়ামগী ৱাখলগী মায়োক্তা চথরকপনি হায়না লৌই। হৌখিবা নবেম্বর ২০গী একাদেমিক কাউন্সিলগী মীফমদা ৱাফম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌখিবা লৈতে। নম্ফুদা য়ূম-য়ূমদা চৎলগা সাইন খোল্লগা একাদেমিক কাউন্সিলগী রিজোল্যুসননি হায়দুনা শেমজিন-শাজিনবা ৱারেপ লৌরক্লিবা অসি অরিবা কোলেজ অহুম অসিবু থওইদবনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই হায়খি। য়ুনিয়ন অহুম অসিনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি ফংদ্রিবা ফাওবা কেম্পস অসিদা এম য়ু সীগী মরী লৈনবা থবক অমত্তা তৌবা য়ারোই। এম য়ু সীগী লৈরিবা পোৎ-চৈ অসি হয়েং নিংথৌকাবদসু মখা তানা লৌথোক্লবা ঙসিদগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অহুম্না অকনবা ফিরেপ লৌরে। গ্রেজ্যুএসন লোইরবা প্লস দিপ্লোমা নৎত্রগা ভিশারদ পায়রবশিংবু এম এদা মিং চনবা য়াহল্লু হায়রগা মসিগী ওন্ন-তৈনবদা বি এবু অমুক্তা লেটরেল কোর্সতগী তমগদবনি হায়না নোটিস থোক্লক্লিবা অসি য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইবা থৌদোক অমনি। এম য়ু সীগী ঙসি ফাওবদা মশাগী ওইবা কেম্পস লৈজ দবা শৈদাংলগা লৈবা অমনা য়ু জি সীগী রিকগ্নাইজেসন কর্মা ফংলিবনো। হীরম অসিগী মতাংদা য়ু জি সীদা ফোর্মেল লেট্টর থানবগীদমক য়ুনিয়ন অহুম্না শেম শাবসু লোইরে হায়রি।

রিমস অমসুং...

লামায় ১গী মখা... ৱেলফ্যরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিগী ওফিস চেম্বরদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজো, রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তা, জেনিমসকী দিরেক্টর ডা. ভিমো, মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী সিনিয়র রিজনল দিরেক্টর, রিমস অমসুং জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টশিং অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। ষ্টেট কোভিদ কোওর্দিনেসন মীটিং অদুদা ষ্টেট লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ লাইচৎ লাকশিন্ননবা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু কূপ্না খন্ন-নৈনখি হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	90.242805
US Dollar	73.624450
British Pound	99.554302
Australian Dollar	56.127627
Chinese Yuan Renminbi	11.265699
Japanese Yen	0.712600
Malaysian Ringgit	18.221913
Singapore Dollar	55.408825
South Korean Won	0.066940
Saudi Arabian Riyal	19.633187
Thai Baht	2.465166
Myanmar Kyat	0.05463
Bangladesh Taka	0.86804

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	49658.00
Mumbai	–	Rs	49635.00
Delhi	–	Rs	49536.00
Kolkata	–	Rs	49720.00

GAS NEWS

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking up to : 07/11/2020
Valid from : 31/10/2020
Home Delivery Only....
Contact no: 9089709738, 8794622868
Office Timing: 8.00 am to 11am
Will be delivered for 3days
HARAN VALLEY, KWAKTA
Booking up to : 19/12/2020
Valid from: 09/12/2020
Please contact mobile no. 7085412191
Time: 7:30am to 11:00am
LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING UP TO : 13-11-2020
VALID FROM 03-11-2020
STOCK : 918
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
TDK GAS
BK. UPTO : 21/10/20
VF : 17/10/10
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS : 6909614353, 8731992324.
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto14.2kg-14/12/2020
Valid from -11/11/2020
***19kg Available
For delivery service
Please contact -7085738631 or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 20/11/2020
BOOKING UPTO: 23/11/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM

পোলিটিকেল পার্টি হায়বসি...

লামায় ১গী মখা... পুনশিন্নদুনা অমদি য়ুনিটি লৈনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা অদু লাক্লে। পোলিটিকেল ইথিক্স খঙনা থবক তৌরবা মতমদতা মীয়াম্না ঈকায় খুম্নবা উৎলক্কনি। ৱানা অমা ঙাংবা, থবক্না অমা তৌবা বি জে পিগী থৌওং ঐখোয় পুল্লগা চুমথোকপা মতম ওইরে। লোয়ননা এম পি সী সীগী হান্নগী প্রসিদেন্টনা পায়খৎলম্বা থবক থৌরমশিং হেন্না মায় পাক্লনবা হোৎনরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। সী এল পিগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা হায়খি, পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌবা মথৌ তাই। বি জে পিগী পব্লিসিটি অমসুং প্রোপেগন্দানা মতম কয়াম কুইনা চৎকনি। মরম অসিনা মীহুৎ ওইরবশিংনা মীয়ামগী য়াইফন্নবা হোৎনগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা এক্স-এম এল এ, ডা. কে ঐচ রতনকুমারনা হায়খি, বি জে পিনা লৈবাক অসিদগী কোংগ্রেস মুৎলগনি হায়না লাউরিবা অসি মখোয়গী প্রোপেগন্দানি। বি জে পিবু মায়োক্নবা ঙমগদবা নেসনল পার্টিদি কোংগ্রেস খক্তনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মুৎখ্রবা স্কুলগী কেম্পসতা শাজিল্লম্বা য়ূম মীয়াম্না থুগায়খ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মমাংদা মিটর ২০০ রোম চৎলগা লৈবা মুৎখ্রবা ষ্টেন্দর্দ ইংলিশ হায় স্কুলগী কেম্পসতা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা মীওই অমনা লন্নাই য়ূম শাজিল্লি হায়বগী ৱাহৌদা ঙসি অয়ূক থৌবাল অচৌবগী মীয়াম্না নৌনা শাগৎলকপা বিল্ডিংশিং থুগায়খ্রে।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না হায়রিবা স্কুল অসি মতম শাংনা ফঙ্কসন তৌরক্তবদগী মণিপুর লৈঙাক্না হৌখিবা কুমজা ২০১৪দা রিকগ্নিসন কক্খ্রবা স্কুলনি হায়রি। হান্না মণিপুর লৈঙাক্কী রেভিন্যু দিপার্টমেন্টনা ষ্টেন্দর্দ ইংলিশ হায় স্কুলগী মিংদা এলোটমেন্ট পীরম্বা স্কুল অসিগী রিকগ্নিসন কক্খ্রবা মতুংদা স্কুল অসিগী গভর্নিং বোদিগী সেক্রেটরি কম প্রিন্সিপাল ওইরিবা হন্দক্তা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম ধনঞ্জয়না মাগী মিংদা নামা ওনশিল্লম্বদগী থৌবাল লৈকাই মরিগী অপূনবা লূপ অমা ওইরিবা থৌবাল অপূনবা লূপনা মণিপুর লৈঙাক্তা এলোটমেন্ট ওর্দর অসি কক্পীরগা হায়রিবা মফম অসি লৈকাইগী দিভলপমেন্ট সাইট অমা ওইনা থম্বীনবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

হায়রিবা স্কুল কেম্পসতা য়ূম শাজিল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা নাকল অনীগী মরক্তা পামদবা থৌদোক থোক্লকপা য়াই হায়দুনা এস দি ও থৌবালগী এম ইনাওচানা হৌখিবা দিসেম্বর ১৪দা মফম অসিদা নাকল অনীমক্কী মী চঙদনবা সী আর পি সী ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থমখিবনি। অদুবু হায়রিবা অথিংবা অদু য়ূম শারিবা মীওই অসিগী উকিলনা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ থৌবালদা কক্পীনবা হায়জরকপদগী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ থৌবালনা হৌখিবা দিসেম্বর ১৭তা ওর্দর অদু ষ্টে তৌখিবনি। অদুগা মরক অসিদা মখা তানা বিল্ডিং শাবগী থবক মখা চথরকপদগী ঙসি অয়ূক মশীং য়াল্লবা থৌবাল অচৌবগী মীওইশিং চঙশিল্লক্তুনা বিল্ডিং অদু থুগায়বগী থবক চথখিবনি।

পনবা য়াবদি, হায়রিবা লম অসিগী মতাংদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা লাইশ্রম ধনঞ্জয়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা স্কুলগী লম অসি মহাক্না প্রেমিয়ম থীদুনা লাকখিবনি। মসিগী ওনরশিপ অসি মহাক্না ওইফম থোকই হায়দুনা কেস অমা থারকপদগী থৌবাল অপূনবা লূপকা কেস অমসু শোক্নরিবনি। থৌবাল অপূনবা লূপকী মায়কৈদগীসু লম অসিগী মতাংদা হায় কোর্টতা কেস লৈরিবনিনা লন্নাই য়ূম শাবগী থবক লেপ্পীয়ু হায়দুনা লাকখিবনি। অদুবু মখোয়না ৱাফম অসি তাশিন-উশিন্নদনা য়ূম শাবগী থবক মখা তানা চথরকপদগী ঙসিগী ফীভম অসি য়ৌরকপনি হায়রি।

পুং ২৪গী মনুংদা কেস ৪৮...

লামায় ১গী মখা... তমেংলোংদা ১, উখুলদা ২ অমসুং ববিনা দাইগ্নে ষ্টিক্সতা ৩ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ২৩, ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৪, থৌবালদগী ৪, বিষ্ণুপুরদগী ২, উখুলদগী ২, তেংনৌপলদগী ১ অমসুং তমেংলোংদগী ১ য়াওরি। পোজিটিভ ওইরবা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই খুদিংমক মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্কনি। মীওইশিং অসিগী মথৌ তাবা মেদিকেলগী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ইম্ফাল ইষ্টতগী মশাগী চহী ৪৮ শুরবা নুপা অমসু রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে। মণিপুরগী ওইনা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মশীং ৩৩৭ শুরে।

নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৭,৬৪৬ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৪,৩১৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৩৩৩নি। পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ২৫,৬৪৬ য়ৌরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২২,৫২২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩১২৪ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯২.৭৬ য়ৌরে। অদুগা কেস ১৬৬৩না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১৪৫৮ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২০৫ নি। লোয়ননা মীওই ১৩৪সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

মণিপুরগী ওইনা চহী অসিদা..

লামায় ১গী মখা... অসিদা ঈংবগী চাং তপ্পা তপ্পা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা নুমিৎ হুম্নিরোম অসিদা অঙৈংবা নুংশিৎ শিৎপগা লোয়ননা ঈংবগী চাং অসি অমুক হেনগৎলকখিবনি। নোনেদা তৌখিবা রেকোর্দ অমগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা টেম্পরেচর অসি ২৭.৭৭ দিগ্রী সেলসিয়স ওইখি। অদুগা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা লৌখিবা রেকোর্দকী মতুংইন্না সেনাপটিদা খ্বাইদগী শাবগী চাংনা ২০.৯৩ দিগ্রী সেলসিয়স অদুগা ঈংবগী চাংনা ৩.৮৮ দিগ্রী সেলসিয়স ওইখি। লম্ফেলপাৎতা বেজ তৌবা ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রিকল্চরেল রিছার্স (আই সী এ আর) মণিপুর সেন্টরনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ঈংবগী চাং অসি মথংশিংনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা ৭.৫, ইরাই নুমিত্তা ৬ অদুগা থাংজ নুমিত্তা ৪.৪ দিগ্রী সেলসিয়সতা হন্থরক্লি। রিজনেল মেটিওরোলোজিকেল সেন্টর, গুৱাহাটিগী মতুংইন্নসু মণিপুরদা ঈংবগী চাং অসি হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ৩.২ দিগ্রী সেলসিয়স ওই হায়রি।

মিরাবাইগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন ...

লামায় ১গী মখা... পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী নম্বর ১০ ওফ ২০১৭নি। পিটিসন অসি রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরিবী এ কে মিরাবাই অমসুং অতোপ্পা মীওই অহুমগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি। হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ১১শুবা ষ্টেট এসেম্ব্লি ইলেক্সন্দা মায় পাক্লকখিবা কেন্দিদেট ৬০গী মনুংদা ১২গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন ১২গী মনুংদা ককচীং এ সীগী য়েংখোম সুরচন্দ্রগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা কেস অদুমখক হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোর্ট অসিদা দিসপোজ তৌখ্রবা মতুংদা লেমহৌরিবা ইলেক্সন পিটিসন ১১গী মনুংদা এম এল এ, এ কে মিরাবাইগী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা কেস অসিনা ১০শুবনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা ইলেক্সন পিটিসন অসি লৌখৎতুনা থেঙ্খাং নাইনা চথরক্লিবা মসিগী ৱায়েলগী শরুক্তা কেস অসিগী ৱিটনেসশিংগী ইভিদেন্সশিং রেকোর্দ তৌনবগী তাঞ্জা লাকপগা ইরোয়ননা ইলেক্সন কেস অসি থা অসিগী ১৮দা বেঞ্চ অসিদা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখ্রে।

কোর্টনা মেট্টর অসিগী লোকল কম্মিস্নর অমা ৱিটনেসশিংগী ইভিদেন্সশিং রেকোর্দ তৌনবগীদমক হাপ্পগী মতাংদা লৌখৎলকপদা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৱান ওইরিবী এম এল এ, এ কে মিরাবাইগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল নামোইজম ইবোতোম্বীনা ৱিটনেসশিংগী ইভিদেন্সশিং রেকোর্দ তৌনবগীদমক কম্মিসন অমা শেম্বসি সিভিল প্রোসিজর কোদকী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না অয়াবা পী। অদবু ‘ওর্দর ২৬’ না হায়বগী মতুংইন্না অমসুং সিনিয়র কাউন্সেল মশাগী ওইনা কেস অসিগী হৌজিক লৈরিবা সর্কমষ্টেন্সেস অসিদা ইলেক্সন ত্রায়েল অসিগী প্রোসিদিংগীদমক কম্মিসন অমা এপোইন্টমেন্ট পীবগী মতাংদা পন্দে হায়খি।

লোয়ননা হৌজিক মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯গী ক্রাইসিস অসিনা মরম ওইরদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মতম মতমগী মতুংইন্না থোকখিবা নোটিফিকেসনশিং কাউন্সেলশিং য়াওনা মী অমত্তনা মসিগী মায়োক্তা লৈবা য়াওদে। হায় কোর্টকী নোটিফিকেসনশিং অদুনা কোর্টকী থবক থৌরমশিং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা পাঙথোক্লবা খঙহনখিবনি।

অমরোমদা, মণিপুরদা নেটৱর্ক কনেক্টিভিটিগী প্রোব্লেম অমসু লৈবনা ৱিটনেসশিংগী ইভিদেন্সশিং রেকোর্দ তৌবগী থবক অসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা পাঙথোকপদা ফিজিবল ওইরোই হায়বা ৱাফমসু থমখি।

সবমিসনশিং অসিগী মতুংইন্না কোর্টনা ভিদিও কনফরেন্সিং রুলসকী রুল-১৮না পীবা পাৱর শীজিন্নরদুনা ৱিটনেসশিংগী ইভিদেন্স রেকোর্দিং তৌনবগীদমক কম্মিসন অমা এপোইন্টমেন্ট তৌবা নত্তনা কোর্ট অসিগী অতৈ পান্থে অমা লৈত্রে হায়খি।

মরম অসিনা জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিননা এস কুঞ্জকেশ্বর এলিয়জ কেবনা পিটিস্নর ওইদুনা এম এল এ, এ কে মিরাবাইগী মথক্তা তৌরক্লিবা ইলেক্সন কেস অসিগী ৱিটনেসশিংগী ইভিদেন্সশিং রেকোর্দ তৌনবগীদমক কম্মিস্নর অমা খন্নবগী পার্টি অনীমক্কী মায়কৈদগী কম্মন এদভোকেটশিং সজেসন তৌরক্নবগীদমক কেস অসি হয়েং (দিসেম্বর ২১, ২০২০) দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি। করিগুম্বা লোকল কম্মিস্নর অমা খনবদা য়ানদবা থোরক্লবদি পার্টি অনীমক্তা এদভোকেট ২/২গী মমিংশিং সজেসন তৌরক্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা এদভোকেট অনী অদুগী মনুংদগী কোর্টনা অমবু কম্মিস্নর ওইনা খনগনি হায়খি।

অন-ওথোরাইজদ ওক্যুপেন্টনি হায়বা মীওই ৬৯ ...

লামায় ১গী মখা... ৱাইলৈচেন, ঙাংবম গৌরমনি (৬৬), অপোকপা এন জি ইবোহলনি।

পিটিস্নরশিং অসিনা হায় কোর্টতা ফাইল তৌরক্লিবা পিটিসন অসিগী নম্বর দব্লিয়ু পি (সী)- ৬১৬ ওফ ২০২০ নি। অদুগা কেস অসিগী ওফিসল রেস্পোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্মিস্নর (রেভিন্যু), দিরেক্টর, সেট্টলমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দস, দেপ্যুটি কম্মিস্নর, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং সব-দেপ্যুটি কলেক্টর, ইম্ফাল ৱেষ্ট (নোর্থ), সেকমাইনি। অদুগা কেস অসিগী খুরখুল অৱাং মনিং লৈকায়গী দাগ নম্বর-৪০৪৬তা অন-ওথোরাইজদ ওক্যুপেন্টশিং ওইরি হায়বা প্রাইভেট রেস্পোন্দেন্টশিংনা খাঙেম্বম মোহেন, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ গৌরি, খাঙেম্বম নন্দো, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ পামচৌ, খাঙেম্বম মঙ্গি, অপোকপা কে ঐচ গনধ্রা, ফুয়াম ইবোয়াইমা, অপোকপা লৈখিদ্রবা পি ঐচ রাবৈনো, লৌরিয়াম তম্ফা, অপোকপা এল অঙৌ, খাঙেম্বম সুরচন্দ্র, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ লৈরিজাও, খাঙেম্বম কান্তা, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ রতন, খাঙেম্বম ইবোসনা, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ রতন, খাঙেম্বম লালচান্দ, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ তোমান, খাঙেম্বম ওংবী লৈচেন, মপুরোইবা কে ঐচ তোমান, খাঙেম্বম বালেশ্বর, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ ভৈভ্যো, খাঙেম্বম রাজেন, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ তম্ফাজাও, খাঙেম্বম নরহরি, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ নোংয়াই, খাঙেম্বম লাইরেন, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ গৌরচান্দ, খাঙেম্বম লোর, অপোকপা কে ঐচ গৌরচান্দ, খাঙেম্বম ধনপ্রিয়ো, অপোকপা কে ঐচ য়াইমা, খাঙেম্বম রামেশ্বর, অপোকপা কে ঐচ মংলেমজাও, ইরুংবম নিলকুমার, অপোকপা লৈখিদ্রবা আই য়াইমা, ইরুংবম বিরমনি, অপোকপা আই তুলা, ইরুংবম য়াইমা, অপোকপা লৈখিদ্রবা আই তুলা, য়ুম্লেম্বম ওংবী ইবেমহল, মপুরোইবা লৈখিদ্রবা ৱাই য়াইমা, খাঙেম্বম ওংবী মালোতি, মপুরোইবা লৈখিদ্রবা কে ঐচ দোয়া, য়ুম্লেম্বম শমজাই, অপোকপা ৱাই মঙ্গোল, খাঙেম্বম ওংবী মাইপাকপী, মপুরোইবা লৈখিদ্রবা কে ঐচ বোকুল, ঙাংবম ওংবী মোনো, মপুরোইবা এন জি মুক্তা, ঙাংবম বোরজাও, অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জি মুক্তা, ফুরিৎশাবম নোকোন, অপোকপা পি ঐচ লৈবাকচাও, ফুরিৎশাবম পাকচাও, অপোকপা লৈখিদ্রবা পি ঐচ লৈরোন, ফুরিৎশাবম নোকোনজাও, অপোকপা পি ঐচ লৈবাকচাও, খাঙেম্বম চৌরজিৎ, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ গৌরি, খাঙেম্বম গোপেন, অপোকপা কে ঐচ চৌরজিৎ, ফুয়াম কেশো, অপোকপা লৈখিদ্রবা পি রাবৈনো, খাঙেম্বম রঘুমনি, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ গৌরি, ইরুংবম ইতোচা, অপোকপা লৈখিদ্রবা আই পালা, ইরুংবম মনিকুমার, অপোকপা লৈখিদ্রবা আই পালা, ইরুংবম অমর, অপোকপা লৈখিদ্রবা আই পালা, য়ুম্লেম্বম ওংবী কোল্লে, মপুরোইবা লৈখিদ্রবা ৱাই কোমিতো, খাঙেম্বম মনিহার, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ ফৈজাও, খাঙেম্বম রবি, অপোকপা কে ঐচ মনিহার, ইরুংবম দেবান, অপোকপা লৈখিদ্রবা আই বির অমসুং ইরুংবম রোমিও, অপোকপা আই দেবাননি হায়রি।

পিটিসন অসিগী মতুংইন্না খুরখুল অৱাং মনিং লৈকায়গী দাগ নম্বর- ৪২১৩দা অন-ওথোরাইজ ওক্যুপেন্টশিং ওইরিবনি হায়রিবা প্রাইভেট রেস্পোন্দেন্টশিংনা খাঙেম্বম হেমো, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ চন্দ্র, খাঙেম্বম রোমান, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ চন্দ্র, রঞ্জিৎ লমা, অপোকপা কুমার লমা, খাইদেম শ্যামকুমার, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ চরমো, য়ুম্লেম্বম নবকিশ্বর, অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই অত্রা, থৌচোম নিলমনি, অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ থোইবী, লৌরিয়াম কেশো, অপোকপা লৈখিদ্রবা এল মেরা, ঙাংবম পুন্সি, অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জি রোতোনমনি, ঙাংবম নোবিন, অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জি গোকুলচান্দ, ইরুংবম নিমাই, অপোকপা লৈখিদ্রবা আই পাল, লৌরেম্বম গ্যানেশ্বর, অপোকপা লৈখিদ্রবা এল থম্বাল, সলাম রোমিও, অপোকপা লৈখিদ্রবা এস ইঙোচা, ঙাংবম ইবোয়াই, অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জি বাবু, কোঞ্জেংবম সুবোল, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে মেরা, ঙাংবম চাওবা, অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জি নিংথেম্বী, থৌচোম নিংথেম্বী, অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ থোইবী, থৌচোম তম্ফামনি, অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ থোইবী, থৌচোম সুরেশ, অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ থোইবী, থৌচোম বিজয়, অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ থোইবী, হিজম ইবোতোম্বী, অপোকপা লৈখিদ্রবা ঐচ চন্দ্রমোহোন, ফুরিৎশাবম অরুন, অপোকপা লৈখিদ্রবা পি ঐচ মংলেমজাও, খাঙেম্বম বিরা, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ ইবোচৌ, ফুরিৎশাবম বসন্ত, অপোকপা পি ঐচ মংলেমজাও, ফুরিৎশাবম রাজেন, অপোকপা লৈখিদ্রবা পি ঐচ লৈরেন, এলাংবম নন্দলাল, অপোকপা লুখোই, মোইরাংথেম কিরন, অপোকপা এম লুখোই, অবুজম থাবল, অপোকপা এ জিরি অমসুং ঙাংবম নবা, অপোকপা এন জি বাবুনি হায়রি।

পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদগী কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা হায়রিবা মীওইশিং অসি খুরখুল অৱাং মনিং লৈকায়গী মথংশিংনা দাগ নম্বর- ৪০৪৬কী একর ১৬.৮৮৫, দাগ নম্বর- ৪২১৩গী একর ২২.৬৩ অমসুং দাগ নম্বর- ৪২৩৩গী একর .৮৫দা অন-ওথোরাইজদ ওক্যুপেন্টশিং ওইনা লৈশিল্লে। মখোয়বু অন-ওথোরাইজ ওক্যুপেন্টশিংনি হায়রিবসি মণিপুর পব্লিক প্রেমিজেস (অন-ওথোরাইজদ ওক্যুপেন্টস) এক্ট, ১৯৭৮ (এক্ট নম্বর-৪ ওফ ১৯৭৯)গী সেক্সন-৩গী মখাদনি হায়রি। মরম অসিনা অন-ওথোরাইজদ ওক্যুপেন্টশিংনি হায়রিবা মীওইশিং অসিবু মফমশিং অসিদগী ইভিক্সন তৌবীনবা মমাঙগী কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ৭তা পিটিস্নরশিং অসিনা এম এল আর এন্দ এল আর এক্ট, ১৯৬০গী সেক্সন ১৫গী মখাতা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরদা ইভিক্সন কেস অমা ফাইল তৌখি হায়রি। মসিগী মথক্তা মমাঙ থাগী ৫দসু অন-ওথোরাইজদ ওক্যুপেন্টশিং অসি ইভিক্সন তৌবীনবা রিপ্রজেন্টেসন অমসু পীশিনখি হায়রি।

অদুম ওইনমক দেপ্যুটি কম্মিস্নর/ইম্ফাল ৱেষ্টকী মায়কৈদগী দিস্পোজ তৌবীরক্তবগা লোয়ননা হায় কোর্টতা মীওইশিং অসি ইভিক্সন তৌহনবীয়ু। লোয়ননা দেপ্যুটি কম্মিস্নারদা ফাইল তৌখিবা কেস অমসুং রিপ্রজেন্টেসন অদুবুসু দিস্পোজ তৌহনবীয়ু হায়দুনা ৱাকৎলকখিবনি। পিটিসন অসি জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা থা অসিগী ৯দা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তাবগা লোয়ননা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা নোটিশ ইস্যু তৌখি। লোয়ননা প্রাইভেট রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবা মীওই ৬৯ অসিগীসু পিটিস্নরগী মায়কৈদগী সবষ্টিট্যুট সর্ভিসতা নোটিশশিং ইস্যু তৌনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা প্রাইভেট রেস্পোন্দেন্টশিং অসি মখোয় মশা নৎত্রগা মখোয়গী মহুৎ শীনবা কাউন্সেলশিং মথং থাগী ২০, ২০২১দা কোর্ট অসিদা লাক্নবা খঙহনখি। করিগুম্বা প্রাইভেট রেস্পোন্দেন্টশিং অসিনা হায়রিবা মতম অসিদা লাক্রবদি কোর্টনা পিটিস্নরগী ৱাকৎশিং তারগা মেট্টর অসি এক্স-পার্টে ওইনা ৱারেপ লৌরগনি হায়নসু খঙহনখ্রে হায়রি।

রিজর্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া
ইম্ফাল
হ্যুমেন রিছোর্স মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্ট

(টেন্দর নম্বর : RBI/Imphal/02/20-21/ET/330)

এক্স-রে বেগেজ স্কেন্নর সিষ্টেম সপ্লাই, ইন্সতোলেসন, টেষ্টিং অমসুং কম্মিসন্নীং তৌনবগী ঈ-টেন্দর

রিজর্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফাল (মতুং তারকপদা বেঙ্ক হায়রগদবা) না বেঙ্ক অসিগী ইম্ফাল, মণিপুরদা লৈবা ওফিস প্রেমিসিজদা *‘এক্স-রে বেগেজ স্কেন্নর সিষ্টেম সপ্লাই, ইন্সটোলেসন, টেষ্টিং অমসুং কম্মিসন্নীং* তৌনবগী মমিং লৈরবা কম্পনিশিং/ফর্মশিং/এজেন্সিশিংদগী ঈ-টেন্দর কৌজরি। টেন্দরিং অসি এম এস টি সী লিমিটেদকী ঈ-টেন্দরিং পোর্টেল *(https://www.mstcecommerce.com/eprochome/rbi)* গী খূথাংদা পাঙথোক্কনি। অপাম্বা কম্পনিশিং/ফর্মশিং/এজেন্সিশিংনা টেন্দরিং প্রোসেসতা শরুক য়ানবা মথক্তা পল্লিবা ৱেবসাইট অসিগী খূথাংদা এম এস টি সী লিমিটেদকী খূথাংদা রেজিষ্টর তৌগদবনি। ঈ-টেন্দর সবমিট তৌবগী অরোইবা তারিখ অমসুং মতম জন্যুৱারী ১২, ২০২১ (লৈবাকপোকপা) গী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২:০০ নি। ঈ-টেন্দরশিংগী টেক্নিকেল বিদশিং নুমিৎতুমক্কী হায়বদি জন্যুৱারী ১২, ২০২১ (লৈবাকপোকপা) গী নুংথিল পুং ২:০০দা হাংগনি। ঈ-টেন্দরগী দোক্যুমেন্টসু ‘টেন্দর’ হায়বা লিঙ্ককী মখাদা বেঙ্ক অসিগী ৱেবসাইট www.rbi.org.in দা ফংগনি।

টেন্দর/কোটেসন অমা হেক্তা নৎত্রগা খুদিংমক মরম অমত্তা পীদনা লৌশিনবা নৎত্রগা রিজেক্ট তৌবগী রাইট বেঙ্ক অসিনা রিজর্ভ তৌরি।

দিসেম্বর ২১, ২০২০

জেনরেল মেনেজর অমসুং ওফিসর-ইন-চার্জ
রিজর্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া
ইম্ফাল

HL-B/6640/21